# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 25-03-2026)**

**পুলিস (এল)ঃ** রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোকশিং থোক্তনবগীদমক সেক্যুরিতি ফোর্সশিংগী মায়কৈদগী এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্দবগী থবক মখা তানা চত্থরি।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমগী পাউনা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা কাংপোকপী জিলাগী ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসননা কোনবা তিংখাই খুল্লেন অমসুং নেপালি খুতিগী মফমশিংদা থিবা হুন্দবগী থবক চত্থবদা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎপা ঙমলে। থিবা হুন্দবগী থবক চত্থবা অদুদা-কন্ট্রিমেট ইমপ্রোভাইজ মোটোর অনি, টুয়েল্ব বোর কারটিজ তরেৎ, তোঙান তোঙানবা কেলিভরশিংগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ৫৫, মেগজিন য়াওবা নাইন এম.এম. করবাইন অমা, কন্ট্রিমেট নাইন এম.এম. পিষ্টোল অনি, মেগজিন য়াওবা কন্ট্রিমেট নাইন এম.এম. পিষ্টোল মরি, কন্ট্রিমেট সিঙ্গল বেরেল বোল্ট এক্সন রাইফল অহুম, কন্ট্রিমেট সিঙ্গল বেরেল পুল মেকানিজম রাইফল অনি অমসুং কেজি তেলেটস অনি য়াওরি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা ওপরেসন চত্থখ্রে। ওপরেসন অদুদা লেংয়াং চীং অমসুং মোংকাত চেপু ভিলেজকী মফমশিংদা শারম্বা বঙ্করশিং থুগায়দুনা মাঙহনখি। মফমশিং অদুদগী কাপথোকখ্রবা কারটিজ কয়াসু ফংবা ঙমখি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা সেক্যুরিতি ফোর্সকী মায়কৈদগী এরিয়া দোমিনেসন তৌবগা লোয়ননা মখা তানা পেট্রোল্লিং চত্থরি হায়রি।

**লাইসেন্স (এল)ঃ** কামজোং জিলাদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা উংখৎনবগী ফিভম অমা লৈরিবা অসিগী য়েংলগা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা জিলা অসিগী

মনুংদা লৈবা গন লাইসেন্স পায়বশিংনা মখোয়গী মখোয়গী নোংমৈশিং অদু চসাদ পুলিস ষ্টেসনদা খুদক্তা খুৎশিন্নরকবা হায়রি।

চেরোল অমদা হায়-জিলা অসিদা আইন অমসুং শান্তি রক্সাগী ফিভম ফগৎলবা মতুংদা লাইসেন্স গনশিং লৌবা য়াগনি। কামজোং জিলাদা হৌখিবা নুমীৎ খরানি অসিদা নোংমৈ কয়ামরুম কাপ্পগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটনা খোঙথাং অসি লৌখৎলকপনি।

অমরোমদা, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোকশিং থোকখিবা অদুবু কামজোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, কামজোং কতমনাউলোং, টি.এন.এল.এফ. সেন্ত্রেল ৱার্কিং কমিতি-উখ্রুলনা থৌদোক অদুবু কন্না য়ানিংদবা ফোংদোরক্লি।

**উত্র (এল)ঃ** শাজিবুগী তরেৎনি পানবা, কোংবা লৈখোং ফাৎপা শজিবু লৈখুল তৌবা লাইথৌ ঙসি অয়ুক পুং ৯ মখায়দা সনা কোনুংদা পাঙথোক্লগনি হায়না উত্র শঙলেন সনা কোনুংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

**কমিতি (এল)ঃ** চৎলিবা শেনবা চহি ২০২৬-২৭ কী তোঙান তোঙানবা দিমান্দ ফোর গ্রান্টশিং য়েংশিন্নবা মনিপুর লেজিসলেটিব এসেমব্লিগী কমিতি অহুম শেমখ্রে।

কমিতি ওন পব্লিক একাউন্টসকী চেয়ারমেননা-এম.এল.এ. সুরজাকুমার ওক্রমনা ওইরগনি। কমিতি ওন ইষ্টিমেন্টকী চেয়ারমেননা এম.এল.এ-সৈখ নুরুল হাসন অমসুং কমিতি ওন পব্লিক অন্দরটেক্কিংসকীনা চেয়ারমেননা-এম.এল.এ. থোকচোম রাধেশ্যামনা ওইরগনি।

**টিবি (এল)ঃ** টি.বি. লায়না অসি মতম চানা খঙদোক্কুনা হিদাক চাং নাইনা চারবদি কনবা ঙম্বা লায়না মখল অমা ওইরি হায়না রাজ্যগী টি.বি. ওফিসার-ডাঃ হেমলাতা থোকচোমনা হায়রি।

নেসনেল হেলথ মীসন অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ হেলথ সার্ভিসেসনা-য়েস ৱি কেন এন্দ টি.বি.-লেদ বাই ভারত, পৱার বাই জন ভাগীদারি হায়বা হীরমদা মালেমগী টি.বি. নুমিৎ পালন থৌরম ঙরাং পাঙথোকখিবা অমসুং নুমিৎ ১০০ নি চত্থনবা টি.বি. মুক্তা অভিয়ান হৌদোকখ্রবা মতুং পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা শ্রীমতি হেমলাতানা হায়-টি.বি. মুক্তা ভারত অসি থবক ওইনা ওন্থোকপদা সরকার খক্তনা ঙম্লোই। মসিদা মীয়ামনা হকথেংননা শরুক য়াবগী তঙাইফদবা লৈ। কেম্পেইন অসিগী মরুওইবা পান্দমদি, মালেমগী ওইনা টি.বি. লায়না মুত্থৎপদা ভারতনা মাংজিল থাবা হায়বসিনি।

**নিংথৌ (এল)ঃ** রাজ্য সভা এম.পি-মহারাজ লৈশেম্বা সনাজাউবনা ঙরাং রাজ্য সভাদা অৱাং নোংপোক্কী মীয়ামদা মতিক চাবা হকশেলগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা সরকারগী মায়কৈদগী করি করি থবক লৌখৎলবগে অমদি এইমস নৎত্রগা মসিগা মান্নবা থাক্তা ইন্সটিট্যুট শেমগৎনবা থৌরাংশিং পায়খৎপা লৈরব্রা হায়না হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা কেন্দ্রগী মন্ত্রি-জে.পি.নদ্দানা হায়-হৌখিবা চহি তরারোম অসিদা অৱাং নোংপোক লমদমদা মেদিকেল কলেজ ১২ শেমগৎখ্রে। মসিগী মথক্তা রিমস হোস্পিতাল মতমগা চুন্নবা মেদিকেল কলেজ অমা ওইহন্নবা পান্দমদা সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ৪,৭২৩ কায়থোকখ্রে। মেদিকেল কলেজশিং শেমগৎখ্রবা মফমশিংগী মনুংদা-মনিপুরগী চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজ য়াওরি।

মন্ত্রিনা হায়-নেসনেল হেলথ মীসনগী মখাদা সরকারনা অৱাং নোংপোক্কী রাজ্যশিংদা মপুং ফাবা হেলথ কিয়ারগী খুদোংচাবশিং ফংহন্নবা থবকশিং পায়খৎতুনা লাক্লি।

**মোদিঃ** নোংচুপ এসিয়াগী ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-দোনাল্ড ত্রম্পনা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগা ৱারী শান্নখ্রে।

সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী মোদিনা হায়-দোনাল্ড ত্রম্পগা মহাক্কা ঙরাং টেলিফোনগী খুত্থাংদা ৱারী শান্নখি। ৱারী শান্নবা অদুদা হৌজিক ওইরিবা নোংচুপ এসিয়াগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। শ্রী মোদিনা হায়-ভারতনা অথুবদা শান্তি হনজিলহল্লকবা হোৎনবদা পাংবা য়াবা মতেংশিং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি। প্রধান মন্ত্রিনা শান্তি পুরকপগী থবক খুমাং য়াংশিন্নবা রাস্ত্রপতি দোনাল্ড ত্রম্পকা তোইনা পাউ ফাওননবা ৱাফমসু ৱারী শান্নবা অদুদা থমখি।

**আইলিকঃ** ইন্দিয়ান ফুটবোল লিগ টু, লাক্লিবা ইরাই নুমিৎতগী হৌরগনি। লিগ অসিদা পুন্না টিম ১০ না শরুক য়াগনি হায়না পান্নরম্বা অদু কেরলাগী টিম অমা ৱিদ্রো তৌখিবদগী টিম ৯ গী লিগ গ্রাউন্দ অসি থা অসিগী ২৭ তগী হৌদুনা পাঙথোক্কনি। মসিদা মনিপুরগী নেরোকা ফুটবোল ক্লবসু শরুক য়ারি।

লিগ অসিদা নেরোকা হোম মেটচ মরি ফংলি। নেরোকাগী অহানবা মেটচ-লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা দিল্লি ফুটবোল ক্লবকা লম্বা থেংনগনি। নেরোকা ফুটবোল ক্লবকী অতৈ মেটচশিং মথং থাগী অহুমদা স্পোর্টিং ক্লব (দি) গৱা, মে ৮ দনা করবি আংলোং মোরনিং স্তার এফ.সি অমসুং অরোইবা হোম মেটচনা মে ১৪ দা সুদেবা দিল্লি এফ.সিগা ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ইং তপ্পা অমদি চাউখৎপা মনিপুর অমা ওইননবা ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নবগী মথৌ তায় হায়বা চীফ মিনিস্তর খেমচান্দগী ৱাফম সেন্সস-২০২৭ দিজিটেল মিন্সতা অহানবা ওইনা সেল্ফ ইন্যুমেরেসন হাপকদৌরি হায়বা পাউ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকপা হিংশাগী

পাউ য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি মনিপুরদা ফোংবা পাউচেশিংগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

পাউশিং অসি-সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি অমসুং ইংলিস এদিসন, পোকফম, পিপলস ক্রোনিকল, নহারোলগী থৌদাং, হুইয়েন লানপাউ, সনা লৈবাক, মনিপুর মেল, তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিয়ু মেলদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

ইং তপ্পা অমদি চাউখৎপা মনিপুর অমা ওইননবা ফুরুপ খুদিংমকা অমত্তা ওইনা লেপমীন্নবগী মথৌ তায় হায়বা চীফ মিনিস্তর-য়ুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমস য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

লীতানগী লান লোয়দ্রি। কুকি মিলিটেন্টশিংনা সরকাফুং খুলগী খুঞ্জা অনি নোংমৈনা কাপখ্রে, বোম পোকখায়বদা অমা শোক্লে, বঙ্কর অনি থুগায়খ্রে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই একসপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-উখ্রুলগী লেপতে, ঙাইহাক লৈতনা নোংমৈ কাপ রি, কন্দেমসু তৌনরি। মীয়ামগী মীপায়নবা মরক্তা মী অহুম শোক্লে, অশোক অপন নংবদগী হোস্পিতালদা লায়কন্নখ্রে হায়না বেন্নর হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসন, পোকফম য়াওনা পাউচে অয়াম্বগী অহানবা লামাইদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

এঙ্গলো মনিপুরি ৱার-১৮৯১ গী হেরোশিংদা ইকায় খুমবা উৎখ্রে হায়বা পাউ অমসুং ৱার্ল্ড টি.বি. ডে পাঙথোকখিবগী পাউনা মনিপুর মেলগী অহানবা অমসুং অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউশিং অসি পাউচে অয়াম্বদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

টুরিজম মিনিস্তর-লোকেননা দিল্লিদা য়ুনিয়ন মিনিস্তর-গজেন্দ্রগা উন্নখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিস্তর এপ্রিল ৮ দা ইম্ফালদা লাক্লগা টুরিজম সেক্তর চাউখৎনবা

লৈবাক্কী থাক্তা মীফম পাঙথোক্কদৌরিবা হায়বা পাউ পোকফমগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

রিমস হোস্পিতাল মতমগা চুন্নবা মেদিকেল কলেজ অমা ওইহন্নবা লুপা ক্রোর লিশিং ৫,৭২৩ কায়থোকখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং য়াওনা অতৈ পাউচেশিংদা ফোংলি। পাউ অসি পোকফমদা চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজ য়াওনা নোর্থ ইষ্টতা মেদিকেল কলেজ ১২ শেমগৎলে হায়না ফোংলি।

মনিপুরগী মে অহুম-২০২৩ দগী হৌরকখিবা লান মনুংদা থোকখিবা থৌদোক নুপী অনিদা ফজদবা থৌওং চথখি হায়বা কেসকী একুয্জ অনিদা পীখিবা বেল ককথৎপীনবা সি.বি.আইনা সুপ্রিম কোর্টতা হায়জরক্লে হায়বসিনা হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আর.সি. সেন্সস তৌনবা হায় কম্মান্দদা অইবা পীশিনখ্রে-রোবিন্দ্রো, ষ্টেট লৈঙাক্তি বি.জে.পি. হায় কম্মান্দগী য়াথংদা চৎকনি হায়বসিনা সনা লৈবাক্কী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।